# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-09-2025)**

**ছুতি (এল)ঃ** নোং চুবা অমসুং ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মহৈ তম্ফমশঙশিং সরকারনা নুমিৎ নিনি থংন-থংননা ছুতি থারুরবা মতুংদা ঙসিদগী অমুক মহৈ তম্বা হৌরগনি হায়রি।

রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তর-এন. জি. বোগেন্দ্র অমসুং য়ুনিভরসিতি এন্দ হয়ার এদুকেসন মনিপুরগী দাইরেক্তর-এল. রাধাকান্তনা তোঙান তোঙানননা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোলশিংদা হায়-সোসিএল মেদিয়াদা ঙসি অসি স্কুল, কলেজ অমদি য়ুনিভরসিতি য়াওনা মহৈ তম্ফমশঙশিং ছুতি থাগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে হায়রিবা পাউ অদু অরানবনি। অসিগুম্বা মীয়ামদা চমমবা পোকপা য়াবা শেমজিন শাজিনবা পাউশিং সোসিএল মেদিয়াদা শন্দোক্তনবা আপিল তৌরি। ঙসিগী ওইনা সরকারগী মায়কৈদগী ছুতি লাউথোকপা লৈতে। ঙসিদগী মহৌশাগুম মহৈ তম্বা হৌরগনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

অককবা পাউশিং ফংবদগী থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎপা লেপত্রি। রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নিঙেল মমাং লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী সিম কার্ড য়াওবা মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন মপাদা

হাংদোকপা চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ইকো ভেন অমদগী কিলোগ্রাম ১০ হেনবগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফাগৎলে। গাড়ি অদুবু থৌরকখিবা সোরা ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমা ইকো ভেন অদুগা কোন্ননা ফারে। হায়রিবা চেক পোষ্ট অসিমক্তদগী অতোপ্পা ইকো ভেন অমসু ব্রাউন্দ সুগরগা কোন্ননা ফারে। ব্রাউন্দ সুগরশিং অদু সাপোন কেপ ১১ দা হাপ্তুনা পুরকপনি। গাড়ি অদুবু থৌরকখিবা কাংপোকপীগী লুৱাংশঙ্গোল ভিলেজতগী মীওই অমা ইকো ভেন অদুগা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি।

**ঈচাউ (এল)ঃ** মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মফম কয়াদা তুরেলগী তোর্বান কায়বা অমদি পাথোক্তুনা চেনবা ঈশিংনা মফম কয়া থুমজিনবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা কাংহুচিংজিন খুলগা তায়নবা লৌ পরি কয়া লৈরিবা সাবম লৌকোলসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। লৌ শাৎপা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবা অসিনা লৌ লোকপা য়াররোইদ্রা হায়বগী মীপায়বা মফম অদুগী লৌমীশিংদা পোকরে হায়রি।

অমরোমদা, কায়খিবা তোর্বান কয়া শেমজিনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ময়াং ইম্ফাল মাইবম মপাদা তোর্বান কায়খিবা মফম থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎলি। ইরিল তুরেলগী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাই মপাদা ফুট ২৫০ রোম কায়খিবা মফম অদু থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎলি। ৱাঙ্গোই ইম্ফাল তুরেলগী কায়খিবা মফমসু থিংনবা থবক কন্না লৌখৎলি।

রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মফমশিং অদুগী মীয়ামগা খুৎশম দুনা তুরেল তোর্বানশিং য়ারিবমখৈ থুংনা থিংদুনা মখা তানা ঈচাও থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা ঙসি নোং চুরবা য়াই। জিলা তরুক-উখ্রুল, কামজোং,

তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদদি অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই৷ হয়েংসু ফিভম অসি থোইনা অহোংবা লৈরোই হায়রি।

**সেবা (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চহি ৭৫ মপুং ফারকপদা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওননা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী চোকথবা লৈতনা কৎথোকপা, খাঙবা কনবা অমসুং মীৎয়েং শান্না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু মঙাল লৈনা লমজিংবীরি। অসিগুম্বা মহাক্কী লমজিং অসিবু থাগৎপা অমদি শৌগৎপা উৎচরি। প্রধান মন্ত্রিনা হকচাং ফনা পুন্সি শাংনা লৈদুনা ভারতপু হেন্না শক্তি লৈবা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা লমজিংবীনবগীদমক শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মফমদা প্রথনা তৌজরি হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তানা ফোংদোক্লি।

লৈবাক অসিগী নাগরিক কয়ানসু শ্রী মোদিগী লৈঙাক সাসন মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎনরক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংবু শিংথাদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা সেবা পর্বগী থৌরম অসি নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্কনি।

**জিএসটি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী মতাংদা নৌনা লৌখৎলকপা খোঙথাং-নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্মনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

৫৬ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২২ দগী

চৎনবা হৌগদৌরিবা জি.এস.টি. কাউন্সিল অসিনা মীয়ামনা নোংমদা মপুং ওইনা শিজিন্নরিবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা টেক্স হন্থহল্লে।

**চান্দেল (এল)ঃ** রেজিং এন্দ এসলেরেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্সকী মখাদা শেন্থোক লৈনা লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নবা অরিবা লিক-কোনগী পোৎলমশিং শাবগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চুপা চত্থরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙরাং মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী হোলদা লোয়শিনখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনবনি। থৌরম অদুদা পুন্না ত্রেনিং ৪৫ রোমনা শরুক য়াখি।

**মোদি ঃ** মহাক্কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মীয়ামনা য়াইফ পাউজেল পীরকপবু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মখা তানা থৌদাং লৌমীন্নরসি হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী মনুং অমসুং মপানদগী মীয়ামনা মহাক্কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা নুংশিবা অমদি শৌগৎপীবা উৎতুনা য়াইফ পাউজেল কয়া পীরক্লিবা অসিনা মহাকপু অমুক্কা হেন্না পুকিং থৌগৎতুনা মীয়ামগী সেবা মপৎ ফানা তৌবা ঙমনবা মায়কৈদা চংশিল্লক্লি। মসিনা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মায়কৈদা চংশিল্লক্লিবা অসিদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মীওই অমমমতগী ওইনা থাগৎপা ফোংদোকপা ঙমদ্রবসু  মহাক্কী থম্মোয়নুংদগী মীয়ামবু অমত্তা ওইনা থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ঙরাং ছুতি ওইখিবদগী ঙসি ইম্ফালদা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা নুংতিগী ফোংবা পাউচেশিংদি মহৌশাগুম অদুম্মক ফোংনরি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে-গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী ওইনা গভরমেন্ট সার্ভিসেসকা মরী লৈননা মীচম মীয়ামা পেন্দবা ৱাকৎ ফোংদোকবগীদমক পোরটেল অমা হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল ইষ্টকী জেনিমস হোস্পিতালদা ঈশিং থুমজিল্লকপনা মরম ওহরগা অনাবশিং থাংদোকপা হৌরে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না জিলা অসিগী মহৈরোইশিংগী অধার এনলোরমেন্টকী থবকশিং থা অসিগী ২৪ ফাওবগা মনুংদা লোয়শিনগদবনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ভারতকী রাস্ত্রপতি য়াওনা মালেমগী তোঙান লুচিংবশিংনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ৭৫ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরকখিবা পাউশিংনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।